# ত্রম্পনা গভর্নমেন্ট সটদাউন লোইশিন্নবগী ব্রাফমশিং হৌদোকখ্রে, দেমোক্রেটশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে



অদেন, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): য়ু এস গভর্নমেন্টগী দিপার্টমেন্ট খরা থা মরি হেন্না থবক তৌদনা লৈবা লোইশিন্নবা হোৎনরদুনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা মহাক্কী মেক্সিকান ৱাল প্রোজেক্টকী অনৌবা থৌরাং কয়া হৌদোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা হৌদোক্লিবা শন্দাইনবগী থৌরাংশিংদুগী মনুংদা অমদি য়ু এসতা নহা ওইরিঙৈদা লোনা য়াদবা মওংদা অহল-লমনশিংগা লোয়নননা চঙলকখিবা দ্রীমরশিং চৈন্নে। মহাক হৌজিকসু ৱাল ফনিদংগীদমক দোল্লর বিলিয়ন ৫.৭ পান্নি। দেমোক্রেটশিংনা শেনফম অদু অয়াবা পীয়ু য়াদ্রি অমসুং ত্রম্পনা ৱাঙাংঙদ্রিগী মাঙওইননা শেনফমদুগা মরী লৈনবা মহাক্লা তৌরকপা য়াবা ওফর খুদিংমক মখোয়না রিজেক্ট তৌখ্রবনি। পুৱারিদা খ্বায়দগী শাংবা ওইরিবা সটদাউন অদুনা ফেদরেল ৱার্কর ৮০০,০০০ দা শোকহনখি। প্রসিদেন্টনা মহাক্কী ৱারোল অদু মাইগ্রেন্টশিংবু তরাম্না ওকপগী চাওথোকচনিঙাই ওইরবা য়ু এসকী পুৱারি লৈজে হায়রদুনা হৌখি। তৌইগুম্বসুং সিষ্টেম অদু মতম শাংনা কায়রক্লেহায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ত্রম্পনা হায়খি, মহাক চয়েৎনবা খরা লৈরিবদু কোকহন্নবা অমসুং কোংগ্রেসতা গভর্নমেন্ট সটদাউন লোইশিন্নবগী লম্বী অমা উৎনবগীদমক্তা মফমদুদা লৈরিবনি। মহাক্লা বোর্দরদা ৱাল খাদবা য়াদবগী মরমশিং কুপ্না পনখি অমসুং ৱাল অদু শাংনা শম্নগদবা ষ্ট্রকচর অমসু ওইদে, য়াম্না তঙায়ফদবা মফমশিংদা ষ্টীল বেরিয়রশিং থম্বখক্কী ৱাফমনি। অদুনা ৱাল চন্নবগী শেনফম ওইনা দোলর বিলিয়ন ৫.৭ কী দিমান্দ হৌজিকসু লৈরি হায়খি।

ত্রম্পনা দ্রীমরশিং অমসুং তেম্পররি প্রোটেক্সন ষ্টেটস (টি পি এস) হোল্ডরশিংগা মরী লৈনবা অনৌবা ৱাফম অনী হৌদোক্লদুনা হায়খি, চহী নৌরিঙৈদা মমা মপাশিংগা লোয়নননা লোনা য়াদবা মওংদা য়ু এসতা চঙলকখিবা দ্রিমর ৭০০,০০০ রোম লৈ। দ্রিমরশিং অসি থবক্তি শুবা য়াহল্লগা সিটিজনশিপতি পীদবা প্রোগ্রাম অমগী মখাদা তান্থোকপা য়াদবগী ফিভমদা প্রোটেক্সন পীদুনা থন্নি। মসি মহাক্লা ককথৎনবা হোৎনরক্লিবা প্রোগ্রাম অমনি। তৌইগুম্বসুং মহাক্লা দ্রিমরশিংগী প্রোটেক্সন অতোপ্পা চহী অহুম অমগসু শাংদোক্তুনা মখোয়গী ৱার্ক পর্মিটশিং শীজিন্নবা য়াহনগনি হায়খি।

টি পি এস হোল্ডরশিংগী ভিজাশিং চহী অহুম অমগসু শাঙদোক্কনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি। ত্রম্পনা য়াদবা অতোপ্পা সিষ্টেম অমা ওইরিবা টি পি এসকী মখাদা লাল নৎত্রগা মহৌশাগী খুদোংথিনিঙাই ওইবা থৌদোকশিংনা শোকহল্লবা লৈবাকশিংগী মীওই ৩০০,০০০ হেন্না য়ু এসতা থবক তৌবা য়াহল্লি। দোল্লর মিলিয়ন ৮০০ গী অথুবা হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং, বোর্দর এজেন্ট অমসুং সিক্যুরিটি ওফিসল ২,৭৫০ হেনবা অমসুং অনৌবা ইম্মিগ্রেসন জজ টিম ৭৫ য়াওনা অতে প্রপোজেল কয়া মহাক্লা খনখি। ত্রম্পনা মহাক্কী প্রপোজেলশিং অদু শন্দাইনবগী ৱাফম কয়া য়াওবগা লোয়নননা মরম চাই অমসুং মখোয়না থাজবা পোকহনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

দেমোক্রেটিক হাউসকী স্পীকর নেনসি পেলেসিনা প্রসিদেন্টকী কনসেসনশিংদু চৎননিঙাই ওইদে অমসুং মমাঙদা রিজেক্ট তৌখ্রবা ইনিসিয়েতিভ মপৈনি হায়খ্রে।

# ওপোজিসন লিদরনা সপোর্টরশিংদা প্রোটেষ্ট তৌনবা আপিল তৌখ্রে



কিনসাসা, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): দেমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোগী প্রসিদেন্টসল মীখলগী রিজল্টশিং শীংনদুনা ওপোজিসন লিদর মার্তিন ফয়ুলুনা থাঙ্গৎখিবা ৱাকৎ কন্সটিট্যুস্নেল কোর্টনা য়াখিদ্রবা মতুংদা লুচিংবা অদুনা মহাক্কী সপোর্টরশিংদা প্রোটেষ্ট কয়া পাঙথোক্ল বা আপিল তৌখ্রে।

মহাক্কী লম্বা ওইবা ওপোজিসন কেন্দিদেট ফেলিস সিসেকেদিনা দিসেম্বর ৩০ গী ভোট অদুদা মায় পাক্লে হায়না লাওথোকখিবনি। ফায়ুলুনা মহাক্কী আর্গ্যুমেন্টদা শিসেকেদিনা থবক্তুগী পোখাখিদৌরবা জোসেফ কাবিলাগা পৱার স্যারিং দিল অমা য়ান্নখ্রবনি হায়খি। অমরোমদা মহাক্কী ৱাফম অসি শিসেকেদিগী টিমনা য়াদ্রি। নোংমাইজিংগী অয়ুক অঙনবদা রুলিং অদু মীয়ামদা খঙহনখিবদা মহাক্কী সপোর্টরশিংনা কেপিটেল কিনসাসাগী লম্বীশিংদা থোক্তুনা ইরাং তৌখি।

কোর্টনা ৱারেপ তাখ্রবসু ফায়ুলুনা মহাক লোনা য়াবা প্রসিদেন্টনি হায়খি। রুলিং অসিগা লোয়নননা কন্সটিট্যুস্নেল কোর্টনা কোঙ্গোলিজ মীয়াম, আফ্রিকান য়ুনিয়ন অমসুং ইন্টরনেস্নেল কম্যুনিটি অপুম্ববু মৱা লৌদ্রে হায়না রুলিং অদুগী মতুংদা মহাক্লা ফোঙদোকখি। মহাক্কী সপোর্টরশিংনা নন-ভাইওলেন্ট প্রোটেষ্টশিং পাঙথোক্কদবনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

আফ্রিকান য়ুনিয়ন্না ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা, ইলেক্সনগী রিজল্টসকী মতাংদা চীংননিঙাই চাওনা লৈ। কোর্টনা হায়খি, ইলেক্সন ওথোরিটিজনা অরানবা রিজল্টশিং লাওথোকখি হায়না ফায়ুলুনা প্রুভ তৌবা ঙমখিদ্রে। ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়নননা সিম্পল মেজোরিটি ফঙবা ঙমদুনা ফেলিক্স সিসেকেদিনা দেমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোগী প্রসিদেন্ট ওইরগনি হায়না কোর্ট অদুনা লাওথোকখি।

ফেলিক্স সিসেকেদি নুমিৎ ১০ নিগী মনুংদা ৱাশক্লবা য়াই হায়না থানজরি। কোঙ্গোদা মতম পুম্বদা লুচিংবা শিনবা খুদিংগী ইরাং থোক্তুনা লাকখি। তৌইগুম্বসুং রিজল্টসকী মরমদা য়েৎনবা লৈরিবদুনা মীখল অদুনা কুমজা ১৯৬০ দা দি আর কোঙ্গোনা বেলজিয়মদগী মনিং তম্বা ফঙখিবদগী অহানবা ফজবা পৱার ট্রান্সফর ওইবা য়াই হায়বগী থাজবা লৈরম্বদু মাঙহনখ্রে হায়রি।

ফয়ুলুনা ভোট চাদা ৩৪.৭ ফঙখিবগা চাঙদম্নবদা সিসেকেদিনা ভোট চাদা ৩৮.৮ ফঙবা ঙমখ্রে হায়না মমাঙদা ইলেক্তরেল কম্মিসন্না লাওথোকখি। রুলিং কোলিসনগী কেন্দিদেট ইম্মান্যুএল সাফরিনা ভোট চাদা ২৩.৮ ফঙখি। অদুম ওইনমক ফয়ুলুনা মহাক্কী অর্গ্যুমেন্টদা শিসেকেদিনা চহী ১৮ পৱার পায়রকখিবা কাবিলাদা দিল অমা য়ান্নখ্রবনি হায়খি। কাবিলানা থংনথংননা অহুমশুবা তর্ম অমগীদমক্তা মীখলদা মীরেপ ওইবা হায়বসি লৈবাক অদুগী কন্সটিট্যুসন্না অথিংবা থমই।

# য়ু এস কোন্স্যুলেটকী ইমপ্লোয়ীগী মায়োক্তা চার্জসিট শেম শাখ্রে

ইস্তানবুল, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): য়ু এসতা বেজ তৌবা ক্লারিক ফেতুলা গুলেনগী নেটৱার্ককা মরী লৈনবগী মরালদা ফাখিবা য়ু এস কোন্স্যুলেটকী লোকেল ইমপ্লোয়ী অমগী মায়োক্তা তর্কিশ প্রোসিক্যুটরশিংনা চার্জসিট শেম শাখ্রে হায়না দেমিরোরেন ন্যুজ এজেন্সী (দি ঐচ এ) গী পাউনা হায়রি।

ক্লারিক গুলেন অসি অনকারানা কুমজা ২০১৬ কী কু এতেম্পট শিন লাংখিবা মীশকনি হায়না মরাল শিরিবনি। ক্লারিক অসিনদি অনকারাগী ৱাফম য়াদ্রি। হৌখিবা কুমজা ২০১৭ তা কোন্স্যুলেটকী ৱার্কর মেতিন তোপুজ ফাখিবগী থৌদোক অসিনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং তর্কিগী মরক্তা লৈনরিবা তেন্সন হেনগৎহনখি। ভিজা সর্ভিসশিং ফাওবা থা কয়া লেপ্পখিবা লৈখ্রবনি। নোর্দন সিরিয়াদা য়ু এসনা কর্দিশ ফাইটরশিং শৌগৎখিবদগী অমসুং তর্কিনা রশিয়াগী মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম লৈনবা হোৎনখিবদগী নাটোগী মীচং অনীগী মরী ফৎচিল্লকখিদবনি।

তোপুজ অসি কোন্স্যুলেটকী অতে লোকেল ইমপ্লোয়ী অনীগা লোয়নননা জেলদা লৈরি। মখোয়দা নত্তুনা তর্কিশ-য়ু এস নেস্নেল অমসু টেররিজমগী চার্জশিংদা জেলদা লৈরি। ৱাশিংটন্না মখোয় লোয়নমক থাদোকহনবা পামই।

দি ঐচ এনা তোপুজগী লমায় ৭৮ গী চার্জসিট অদু পল্লদুনা হায়, মহাক কু এতেম্পট অদুদা থৌদাং য়াখি হায়বগী চীংনবা লৈবা পুলিস ওফিসরশিংগা অনকপা মরী লৈনখি। ন্যুজ এজেন্সী অদুগী মতুং ইন্না প্রসিদেন্ট তায়িপ ইর্দোগন অমসুং হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর বিনালি রিলদরিমনসু কমপ্লেনেন্টশিংগী মরক্তা য়াওখি।

# চিলিদা য়ুহা কন্না হাখ্রে, অহল অনী হার্ট এটেক তৌদুনা শিখ্রে



সান্তিয়াগো, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): মেগনিট্যুদ ৬.৭ য়ৌবা অকনবা য়ুহা হাবা অমনা থাংজ নুমিৎতা নোর্থ সেন্ট্রেল চিলি নিকহনখ্রে হায়না য়ু এস জিওলোজিকেল সর্ভেনা ফোঙদোকখ্রে। পুলিসকী রিপোর্ট মতুং ইন্না য়ুহা হাবা অদুদা মীওই অনী হার্ট এতেক তৌদুনা শিখ্রে হায়রি।

য়ুহা হাবা অদুগী এপিসেন্তর কোকিম্বোগী খা নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ১৫ রোম লাপ্পা লৈবা মফমদা ওইখি অমসুং মদু কিলোমিটর ৪৩ লুথনা থোকখি হায়না য়ু এস জি এসনা ফোঙদোকখ্রে। কন্না নীকখিবা অদুদা অহল ওইরবা নুপা অমগা, অহল ওইরবী নুপী অমগা পাখৎতুনা হার্ট ফেল ওইবদগী শিখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি। নেস্নেল হায়ৱেশিংদা লেন্দস্লাইদ কয়াসু থোকখ্রে হায়রি।

নোংমাইজিংগী জি এম টি ০১৩২ তাবদা থোকখিবা য়ুহা হাবা অদু ভালপারাইসো, ওহিগিগন্স অমসুং কেপিতেল সান্টিয়াগো লোয়নননা অৱাংরোমদা অতাকামা অমসুং কোকিম্বোদসু ফাওখি। য়ুম লীশিং কয়া পৱার সপ্লাই তৎখি। মসিনা য়ুহা হাবা অদু কয়াম্না মতিক ময়াই লৈবগে হায়বদু উৎলি হায়না নেস্নেল ইমরজেন্সি ওফিসকী রিকার্খে তোরো কৌবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

ওথোরিটিশিংনা সুনামি থোক্লক্লোই হায়না থাজবা পীরবসু সান্টিয়াগোদগী কিলোমিটর ৫০০ রোম লাপ্পা লৈবা কোষ্টেল লমদম অমা ওইরিবা য়ুমথংনবা সেরেনা অমসুং কোকিম্বোগী মীশিং কিবদগী অৱাংবা মফমদা হোঙদোক্লখি।

কুমজা ২০১৫ গী সেপ্তেম্বরদা মেগনিট্যুদ ৮.৩ য়ৌনা কনবা য়ুহা হাবা অমনা সুনামি থোকহন্দুনা কোকিম্বো লমদমদা মীওই ১০ হেন্না শিখি। চিলি অসি মালেমগী য়ুহা হাবা খ্বায়দগী থোক্কনবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি।

য়ু এস জি এসকী মতুং ইন্না, চিলিদা কুমজা ১৯৬০ দা থোকখিবা ভালদিভিয়া আর্থক্বেক হায়না খঙনখিবা য়ুহা হাবা অসি মেগনিট্যুদ স্কেলদা ৯.৫ য়ৌদুনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বায়দগী কনবা ওইখি। চিলি অসি পেসিফিক বেসিন্না কোয়শিল্লিবা ফোল্ট লাইনশিংগী অর্ক অমা ওইরিবা রিং ওফ ফায়রদা লৈদুনা য়ুহা তোয়না হাই অমসুং মৈগী চীং তোয়না পোকখায়।

# মালেমগী খ্বায়দগী অহল ওইরবা নুপা মশাগী চহী ১১৩ দা লৈখিদ্রে




তোকিয়ো, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): মালেমগী খ্বাইদগী অহল ওইরবা নুপা মাসাজো নোনাকা নোংমাইজিং নুমিৎতা মশাগী চহী ১১৩ শুবদা লৈখিদ্রে। মহাক রাইত মচিন-মনাওনা মীওইবগী অহানবা পৱার্দ ফ্লাইত চাঙয়েং তৌখিবা মতুং নুমিৎ নীনিখক লৈরগা পোকখিবনি হায়না জপানিজ মীদিয়ানা ফোঙদোরক্লি।

গিনিস ৱর্ল্ড রেকোর্দকী মতুং ইন্না, অলবর্ত আইনষ্টাইন্না মহাক্কী স্পেসল থিওরি ওফ রিলেটিভিটি ফোঙগদবা থা খরখক্কী মমাং কুমজা ১৯০৫ কী জুলাইদা নোনাকা পোকখি। হৌখিবা চহীদা স্পেনিয়র্দ ফ্রান্সিস্কো নুলেজ ওলিভেরানা লৈখিদ্রবা মতুংদা গিনিসনা নোনাকাবু খ্বাইদগী অহল ওইরবা হিংলিবা নুপানি হায়না ওফিসল ওইনা শকখঙখি।

চাওরবা মীওই অসিনা খঙহৌদনা লৈখিদবা অসি অৱাবগী মশকনি। ঙরাং মহাক মহৌশাগা মান্ননা লৈখি অমসুং ইমুংগী মীওইশিংদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী চৈথেং অমত্তা পীরমদনা মহাক লৈখিদবনি হায়না মহাক্কী মশুনুপী য়ুকোনা ক্যুদো ন্যুজদা ফোঙদোকখি। নোনাকাগী মচিন-মনাও তরুক অমসুং মচে অমা লৈরম্মী। মহাক কুমজা ১৯৩১ দা লুহোংদুনা য়ুম্বানবগী লম্বীদা খোঙদাখি অমসুং মচা মঙাগী মপা ওইখি।

মহাক্কী হোম তাউনদা মহাক্লা হোত স্প্রিং ইন অমা চলাইখি অমসুং পোত্থাবগী মতম য়ৌরকপদা মহাক্লা টিভিদা সুমো রেষ্টলিং য়েংলগা অমসুং অথুম-অহাও চারগা লেনখি হায়না লোকেল মীদিয়ানা ফোঙদোকখি।

জপানগী মীশিংগী পুন্সিবগী চাং মালেমগী খ্বায়দগীৱাংবশিংগী কাঙলুপ্তা চনবগা লোয়না মালেমগী খ্বায়দগী অহল ওইরবশিংনি হায়না মশক খঙখিবা মীওই কয়া লৈবাক অসিদা হিংখি। মখোয়গী মনুংদা রেকোর্দতা খ্বায়দগী মতম শাংনা পুন্সিখিবা অমসুং কুমজা ২০১৩ গী জুনদা ১১৬ শুবা মপোক নুমিৎকী মতুংদা মতম শাংনা কান্নদনা লৈখিদবা জিরোমোন কিমুরা য়াওরি। গিনিসকী মতুং ইন্না, খ্বায়দগী অহল ওইনা হিংখিবা মীশক্লি হায়না ভেরিফাইদ তৌখিবা মীশক ওইরিবা ফ্রান্সকী জেনি লুই কালমেন্ট কুমজা ১৯৯৭ দা মশাগী চহী ১২২ শুবদা শীখি।

# জর্মনিদা ফাজিল্লিবা মীশক্কা মরী লৈনদে: ইরান

দুবাই, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): তেহরানগীদমক্তা অরোন অথুপকী পাউ লৌবা মীশকনি হায়না চিংনবদগী জর্মনিদা ফাখিবা অফঘান-জর্মন মীওই অদুগা মরী লৈনৈ হায়বা ৱাফম ইরান্না য়াখিদ্রে। অমরোমদা, জর্মনিদা মীওই অদুবু ফারিবদু ইয়ু-ইরানগী মরীদা অকায়বা পীনবা হোৎনবগী শরুক অমনি হায়না ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সী ইর্নানা ফোঙদোকখ্রে।

জর্মনিগী ফেদরেল প্রোসিক্যুটরগী ওফিসনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা, চহী ৫০ গী লেঙ্গা ওইবা জর্মন মিলিটরিগী থবক তৌখিবা দ্যুঅল নেস্নেল অদু ইরানগী ইন্টেলিজেন্স এজেন্সীদা দেতা পাস তৌবা মীশক ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবদা য়ুম্ফম ওইরগা ফাখিবনি। লুরবা তানফম অসিদা ইরান অমসুং য়ুরোপকী মরীদা অকায়বা পীবা পাম্বা মীওই কাঙবুনা শেমজিন শাজিনবা, য়ুম্ফম য়াওদবা সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা মরাল কয়া শীজিন্দুনা মীওই অদুবু ফারে হায়বা পাউ অসিদা ইরান্না ঙক্তে হায়না ইরানিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রীনা ফোঙদোকখ্রে।

# কোলিসন্না য়েমেনগী কেপিটেলদা অহিংদা এয়র ষ্ট্রাইক চখ্খ্রে



অদেন, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): সাউদিনা লুচিংবা ফোর্সশিংনা য়েমেনগী কেপিটেলদা অহিং চুপ্পা এয়র ষ্ট্রাইক চখ্খ্রে। য়ুনাইটেদ নেসন্সনা পিছ দিল অমা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরিঙৈদা হৌখিবা অহিংদা চখ্খিবা এয়র ষ্ট্রাইক অদু সানাদা লৈবা মীওই অমনা হৌখিবা চহী অসিদা খ্বায়দগী শাথিবনি হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন অদুগী স্পোক্সমেন অমনা হায়, কোলিসনগী ৱার প্লেন্সশিংনা রাইভল হৌথি ফোর্সশিংনা পায়শিনখ্রবা সানাদা লৈবা মিলিটরি ফেসিলিতি তরেৎতা এটেক্ট তৌখি। মিলিটরি ফেসিলিটিশিংদু দ্রোন ওপরেসনশিংদা শীজিন্নবা ঙাক্তনি।

ইরানগা মীচং ওইনবা হৌথি মুভমেন্টগা সাউদিনা শৌগৎপা অবদ-রাবু মনেনেডীর হাদিগা লম্বা তৌনরিবা চহী মরিরোম শরুক্লবা য়েমেনগী লান অদুদা মীওই লীশিং কয়া শিখ্রে অমসুং মদুনা মীওই মিলিয়ন কয়া চাবা ফঙদবগী ফিভমদা লৈহনখ্রে। অহিংগী রেইদ অদুগী তার্গেটশিংগী মনুংদা দ্রোন থমফম ওইরিবা অল-দুলাইমি এয়র বেজ অমসুং মিলিটরি ট্রেনিং সাইতশিং য়াওখি।

মেদিকেল ৱার্করশিং অমসুং রেজিদেন্টশিংনা ফোঙদোকখিবদা, য়ামদ্রবদা মীচম অনী শিখ্রে অমসুং অতে কয়া অশোক অপন নঙখ্রে। লোয়নননা য়ুম-কৈ কয়াসু মাঙ তাকখ্রে। হৌথিনা চলাইবা অল-সাসিরাহ টিভিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা, কোলিসন্না থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদগী সানাদা এয়র ষ্ট্রাইক ২৪ পাঙথোকখ্রে। মখোয়গী মনুংদা এয়র বেজদা মরি য়াওখি। প্লাষ্টিক ফেক্তরি অমসু হিট তৌখি।

ন্যুজ এজেন্সি অমগী ফুতেজনা ফেক্তরিদুগী মনাক্তা লৈবা অচৌবা কোম অমা অমসুং অমাঙ অতা থোক্লবা য়ুমশিং উৎখি। হৌখিবা চয়োলদা য়েমেনি গভর্নমেন্টগী মিলিটরি পেরেদ অমদা হৌথি রেবেলশিংনা শাথিরবা দ্রোন ষ্ট্রাইক অমা চখ্খিবা মতুংদা লান কন্নশিল্লকপগী মওং অমা উবা ফঙলিবদু লান অদুবু লোয়শিনবা য়ানবা য়ু এনগী লীচিং মখাদা অনীশুবা রাউন্দগী ৱারী শাননবা হোৎনরিবদুগা চানদে হায়রি।

কুমজা ২০১৪ দা হাদিবু হৌথি রেবেলশিংনা মফমদগী চিংথুখি অমসুং কুমজা ২০১৫ দা সাউদি অরাবিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ আরব এমিরেটসনা মহাকপু মফম হঞ্জিনহন্নবা হোৎনরদুনা ৱাথোক অদুগা মরী লৈননা লাল অদুদা খুৎ থিংজিনবা হৌখি।

# কার বোম এতেক্তা সিক্যুরিটি পর্সনেল নিপান শিরে

কাবুল, জন্যুৱারী ২০ (এজেন্সী): অফঘানিষ্টানগী খা থংবা লোগার প্রোভিন্সতা গভর্নরগী কনভোই অমদা কার বোম এটেক অমা চখ্খিবদা অফঘান সিক্যুরিটি ফোর্সকী মেম্বর নিপান শিখ্রে, তৌইগুম্বসুং ঙসি অয়ুক্কী এটেক অদুদা প্রোভিন্সিএল চীফ অদুদি অশোক অপন নঙহৌদ্রে হায়রি।

লোগারগী প্রোভিন্সিএল পুলিসকী স্পোক্সমেন শাহপুর অহশদজাইনা হায়কি, লোগার অমসুং কেপিটেল কাবুলগী মরক্তা লৈবা মরু ওইবা হায়ৱে অমদা বোমর অদুনা গভর্নরগী কনভোইদুগী মনাক্তা বোম য়াওবা কার অমা পোকখায়হনখি। এটেক অদুদা অতে মীওই নিপানসু অশোক অপন নঙখ্রে অমসুং অশিবা মশীং হেনগৎলকপা য়াই হায়না ফোঙদোকপগা লোয়নননা অহমদজাইনা হায়খি, লৈবাক অদুগী ইন্টেলিজেন্স এজেন্সীগী প্রোভিন্সিএল চীফসু কনভোই অদুদা য়াওখি। অদুবু মহাক এটেক অদুদা শোকহৌদ্রে।

## /NAME CHANGE

I, **Chakhuangthai Dangmei**, S/o Chunjanglung Dangmei desire to rectify and change my name and my wife's name from **Ch. Thai Dangmei** to Chakhuangthai Dangmei and Jianchuimei Pamei to Jianchuimei Dangmei.

HL-P/3669/21 **Sd/- Chakhuangthai Dangmei**

## /Migration Certificate Lost

I have lost my Migration Certificate of M.Sc. (Physics) of the year 2015 bearing Roll No. 048/12, issued by Gauhati University on the way between Kakching to Imphal on 10th January 2019. Finders are requested to handover the same to the undersigned

*Sd/- M. Sophia Devi*
*D/o M. Ajitkumar*
*Kakching Super Market, Near Composite Hall*
☎:.8729962225

HL-P/5137/21

## /লৌফম অমা য়োঞ্জরি

ৱাবগাই পোল ষ্টার কোলেজ মনাক্তা লৈবা ৩.১৩৪০ হেক্তর চাউবা ঙাগী ফার্ম তৌবা য়াবা লৌফম অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক নম্বরশিং অসিদগী অকুপ্পা মরোল খঙবীবা য়াগনি।

**Contact Nos.: 7005676162 / 9862351670 /9612987647**

HL-P/3180/21,23,25

## Government of Manipur
### Office of the Deputy Registrar of Societies (I/W)
## /NOTIFICATION

Imphal, the 18th December 2018

No. Prop/SR/IW/2018. An application for the registration of a propose namely **"Ibudhou Sankar Deva Holi Dal"** and its address Yumnam Huidrom Thiyam Leisangkhong has been submitted to the undersigned and therefore objections if any registration of the proposed Society/Association is invited from any interested persons within 20 days from the date of publication of this Notice. Any complain after this period shall not be entertained.

*Sd/- P. Memi Devi*
*Deputy Registrar of Society, Imphal West*

HL-P/3184/21

## SACRED HEART HR. SECONDARY SCHOOL
**POROMPAT, OPPOSITE DDK, IMPHAL**
## /NOTICE

Imphal, the 20th Jan. 2019

This is to notify for all concerned that School will remain closed from **21st to 29th January 2019** on account of ongoing repairing of the School.

School re-opens for all classes for the **New Academic Session** on **30th January 2019 (Wednesday).**

HL-P/3157/21,22 *Sd/- Director/Principal*

## /NOTIFICATION
**Yumnam Huidrom Thiyam Leisangkhong**
***The 20/1/2019***

An application for the Registration of a propose namely **"Ibudhou Sankar Deva Holi Dal"** and its address Yumnam Huidrom Thiyam Leisangkhong has been submitted to the Deputy Registrar of Society, Imphal West and therefore objections if any registration of the proposed Society/Association is invited from any interested persons within 20 days from the date of publication of this Notice. Any complain after this period shall not be entertained.

HL-P/3184/21 ***Sd/- Secretary ☎: 8794862682***

## অৱাবা ফোঙদোকপা



**Yaipha Marup, Nagamapal Singjubung Leirak** কী মতম শাংনা মেম্বর ওইবীরম্বা **Shri Chongtham Iboton Singh** না মনুং মতম চাদনা হৌখিবা তাং ১১/০১/২০১৯ ইং, ৱাকচিংগী ৫ নি পানবা ইরাই নুমিত্তা তাইবঙপান থাদোক্তুনা চৎখ্রে। মেম্বর অসিনা লৈখিদবদা Yaipha Marup Member শিংনা মহাক্কী অষ্ঠি সঞ্চয় নুমিৎকী অয়ুক্তা মীনিট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈশ্বরগী নাক্তা ইংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক্তা থৌনিজখি লোয়নননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

*অৱাবা ফোঙদোকচরিবা ঃ*
শ্রী সেরাম শ্যামজাই সিংহ
***Secretary,* Yaipha Marup & other Members present in the Condolence Meeting**

HL-P/3188/21